WAYEL KATI
Evening Newspaper
WAYEL KATI
# ৱায়েল কাতি
Vol. 1, Issue 252 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | ইম্ফাল,লমতাগী ১১ নি পানবা, ইরাই ফেব্রুৱারী ২৭,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–

## সিরুই ফেষ্টিভেলগী সিএম য়াওনা মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** সিরুই ফেষ্টিভেল ২০২৬কী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মীফম অমা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এম এল এ অমদি সেনিয়র ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি। মীফম অদুনা সিরুই ফেষ্টিভেল মায় পাক্লা পাঙথোক্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা কূপ্না খন্নখি। সিরুই ফেষ্টিভেল অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি হায়রি।

## পার্টিগা মরী লৈনদে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি) ঃ** হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৬তা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঘড়ী এরিয়াদগী মণিপুর পুলিসনা ফারে হায়রিবা ৱাংজিং লমদিং থোকচোম লৈকায়দগী থোকচোম রাজ এলাইজ ইবুংঙো (২৫) অপোকপা টিঐচ সুরঞ্জয়, অপোকপী লেম্বী দেবী পিপলস রিভোলুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রোগ্রেসিভ)গা মরী লৈনদে হায়না লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট পল্লিসিতি সেক্রেটরি এল নীংশিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ‘বুং’ রি–রিলিজ তৌরগনি

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি) ঃ** বি এ এফ টি এ এৱার্দ ফোর বেষ্ট চিল্ড্রেন এন্দ ফেমিলি ফিল্ম এৱার্দ ২০২৬ ফংখ্রবা মণিপুরী ফিল্ম ‘বুং’ মার্চ ৬তা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রি–রিলিজ তৌরগনি। লক্সমিপ্রিয়া দেবীনা দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অসি ইন্দিয়াগী ওইনা বি এফ এফ টি এ এৱার্দ ফংবা অহানবা ফিল্মনি।

## অমুর ফেলকোন

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি) ঃ** মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২৫ গী ফেব্রুৱারী ৮দা অমুর ফেল্লকোন ৩ সেট্টলাইট ট্রান্সমিটর টেগ তৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা খোঙ্গুল লীবগী থবক চথুরি। অহু, অলাম অমদি অপাপঙ কৌবা অমুর ফেলকোন ৩ অদু সেট্টলাইট টেগ তৌরবা মতুংদা ৱাইল্ডলাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজনগী ওফিসিয়েলশিং চিলুৱান ভিল্লেজকী ভলন্টিয়রশিং য়াওবা টিম অমনা থাদোকখি। নুমিৎ ৯ নিদগী ১০ নি ফাওবগী মনুংদা অমুর ফেলকোনশিং অদু আফ্রিকাদা থুংখি।

### হয়েংগী নোংদম

২৮। ০২। ২০২৬
–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

- মেষ –চাওথোক্লা ৱারেপ লৌবা য়াবা অফবা নুমিৎনি। অপীকপা শেল খরা ফংবগী লম্বী লৈগনি।
- বৃষ – থবক য়ামগনি অদুমকপু নুমিদাংৱাইরমদা কান্নগনি। কান্নদবদা শেল চংহনগনু।
- মিথুন– মীগা উন্নরগা ৱারী শান্নবা, খন্নবদা অফবা লৈ। অনৌবা শেল থুম লাকপগী লম্বী লৈগনি।
- কর্কট –নথক থোংবশিংগা নিংঙাই শংদান্নগনু। মীঙোন্দা শেল পীথোক্ত্রিঙৈদা অনীরক খল্লু।
- সিংহ– অৱাংবা থবক্তা লৈবশিংনা থাগৎপীগনি। শেল থুমগী ফিভম ফগৎচগনি।
- কন্যা– লোইশিনবা ঙমদনা লৈরিবা থবকশিংদা মীৎয়েং থম্মু। শেল থুমগী খোঙচৎ লেংদনা লৈগনি।
- তুলা– পূম্না থবক তৌমিন্নবদা মায় পাক্কনি। শেল তুংশিন্নবগী থৌরাং তৌবা য়াগনি।
- বৃশ্চিক–দাও য়াবা, অরোনবা থবক্কী থৌরাং তৌবা মায় পাক্কনি। খুদক্তে শেল চৎপগী ওইথোকপা লৈ।
- ধনু– দাও য়াবা নুমিৎনি। লমতু চৎপদা কান্নবা লৈগনি। অরিবা শেল ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।
- মকর– থবক কন্না শু নোম্বগী কান্নবা ফংগনি, ফমথোন কাবা য়াই। শেল থুমগী ফিভম ফগৎচগনি।
- কুম্ভ– ৱাখল লৌশিং থোকপা নুমিৎনি। অনৌবা ৱাখল্লোনবু থা–গৎপীগনি। শেল থাদবা তৌগনু।
- মীন – তুং কোইগদবা থৌরাংদা মীৎয়েং থম্মু। শেল থুমগী লম্বী চাংচৎতা ফংগনি।

## প্রাইভেট স্কুলশিং চল্লাইবগী মওং মতৌদা এম সি পি সি আর নুংঙাইহন্দ্রে

# কাউন্সেল্লর হাপ্পনবা, গার্জিয়ান এসোসিয়েসন থম্নবা এম সি পি সি আরনা স্কুলশিংদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা অন এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিং চল্লাইবগী মওং মতৌদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সি পি সি আর)না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিসনগী চেয়রপার্সন কৈশাম প্রদিপকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা অন–এদেদ প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফীভম য়েংশিল্লবদা অশোয়বা কয়ামরুম থেংনরকখি। রাইট ওফ চিল্ড্রেন টু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদুকেসন এক্ট ২০০৯গী মখাদা ওঝা অমদি ছাত্রগী লৈফম থোকপা রেসিও লৈতবা স্কুল কয়ামরুম থেংনরে। ক্লাস রুম অমদা মহৈরোই ৮০দগী ৯০ ফাওবা ওঝা অমা খক্ক তাকপী তন্বীরম্বা থেংনরকখি। মসিনা মহৈরোইশিং লাইরিক নিংথিনা তম্বগী খূদোংচাবা ফংহন্দবগা লোয়ননা অঙাংশিংগী পূক্নিং ৱাখলদা অকায়বা থোকহল্লে।

চহী নৌরিবা মহৈরোইশিংদা চৈরাক পীবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, অথিংবা থল্লবসু মহৈরোইশিংদা কোর্পোরেল পনিশমেন্ট পীদুনা পূক্নিং ৱাখলদা অচৌবা চৈথেং ফংহনবগী থৌদোক কয়ামরুম পীবা থেংনরে। স্কুল অয়াম্বদা কাউন্সেল্লর লৈতবনা অঙাংশিংদা মতম চানা কাউন্সল্লিং পীবা ঙমদ্রে। নেস্নেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০গী মতুং ইন্না অঙাংশিংবু মহৈ মশিং নিংথিনা তাকপী তন্বীবগা লোয়ননা পূক্নিং ৱাখলগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। অদুবু স্কুল খরদা কাউন্সেল্লিং পীনবগী খূদোংচাবা লৈরমদবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি।


পেরেন্ট। গার্জিয়ান এসোসিয়েসনগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, অন এদেদ প্রাইভেট স্কুল অয়াম্বদা পেরেন্টস। গার্জিয়ন এসোসিয়েসন লৈতে। রাইট ওফ চিল্ড্রেন টু ফ্রি এন্দ কম্পসরি এদুকেসন এক্ট ২০০৯গী কাঙলোন মতুং ইন্না পেরেন্ট। গার্জিয়ান এসোসিয়েসন লৈতবনা স্কুলদা করি করি তৌরিবগে হায়বদু মমা মপাশিংনা মতম চানা খঙবা ঙমদ্রে। স্কুলগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা চল্লাইহন্নবা হোৎনবদা মমা মপাশিংনা শরুক য়াহনবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফমসু পল্লি।

মরম চাদনা মহৈরোইশিংদা ট্রান্সফার সার্টিফিকেট পীবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, অঙাং অমগী অশোয়বা মওং মতৌ শেমদোক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা স্কুলনা ট্রান্সফার সার্টিফিকেট পীদুনা খূদক্তা হেক্তা তান্থোকপা হায়বসি লোনা য়াদবা থৌওংনি। মহৈ মশিং তাকপী তন্বীবা হায়বসি অঙাংশিংগী খূদোংচাগদবা মওংদা পায়খৎকদবা থৌওংনি। খ্বাইদগী মরু ওইবা মহৈ তম্ফম ওইরিবা স্কুল স্কুলশিংদা অঙাং কয়া মরম ইচা চাদনা অকনবা চৈরাক পীবা অমসুং তান্থোকপগী থৌওং চথবা য়াদে। মতুং তারকপদা কম্মিসন্না হিরম অসিগা মরী লৈননা স্কুলশিংগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা কাঙলোন ঙাক্তা স্কুলশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলগনি হায়রি।

# মাওকোট কুকি খুলদা লাকপা অসাম রাইফল্ল পার্সনেলশিং চত্রিক্তা তাঙ্খুল নুপীশিংনা থৎখ্রে

## নুমিদাংৱাইরম ফাওবা এআরগী কাঙবু সনালোক্তা থৈদোক্লগা লৈরি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা মাওকোট কুকি খুলদা চৎননবা লাকপনি হায়বা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমা চত্রিক্তা তাঙ্খুল নুপী ময়াম অমা থোরক্তুনা থৎখ্রে। ঙাংনবা য়াবা ঙাংনবদা নুপীশিং অদুনা চৈমনবদগী তাবা ঙমদদুনা মমাই লৈরগা চংখ্রে।



থৌদোক অসিগী মতাংদা চত্রিক খুল্লেনগী নিংথৌগা পাউ– চে অসিগা ৱারী শান্নবদা হায়, ঙসি অয়ূক পূং ৬ রোম তারকপদা অসাম রাইফলসকী পার্সানেল কয়া য়াওবা গাড়ী ৫ খুল অসি ফাওদুনা লাকপা উন্নখি। মতম অদুদা চত্রিক্কী খুঙ্গাশিং হায়বদি মপুং ওইনা তাঙ্খুল নুপীশিং অদুদা চত্রিক খুন্নৌদা থোক্তুনা থৎপা হৌখি।

খুঙ্গাশিংগী মায়কৈদগী খঙহৌদনা চীংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা অসাম রাইফল্লকী কাঙবু অদুদা কদায়দা চৎকদবনো হায়না হংখি। মতম অদুদা পার্সনেলশিং অদুগী মায়কৈদগী বোর্দর পিল্লর য়েংবনি অমুক হায়, তুরেল লোমদা চৎকদবনি হায়বনচিংবা চিন মান্নদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লকখি।

মদুনা খুঙ্গাশিংদা হেন্না চীংনবা হেঙ্গৎলকখি। তুংদা মখোয়গী মকোক থোংবা ওফিসারশিংগা খুঙ্গাশিংগা পাউ ফাওনবদা মাওকোট কুকি খুলদা চঙগদবনি হায়রকখি। মদুদা মীয়াম্না ৱাফম অদু য়ারোই হায়না থৎতুনা অয়ূক্কী পূং ১০ খরা হেনবদা অসাম রাইফলসশিং অদু হন্দোকখ্রে হায়রি।

অসাম রাইফলসশিং অদু করিগী মতাংদা লাকপা ওইঙাদৌরিবনো হায়না খুলগী নিংথৌ অদুদা হংবদা, হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ওইগনি হায়না খুল্লকখি। করি মরমনো হায়বদুগী চপ চাবা পাউখুম অদুদি পীরকখিদে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিং অদু ঙাইহাক্কী ওইনা মফম অদুদগী হনখ্রগসু মখা তানা লম্বী অদু লাক্লনবা থৌরাং তৌবা লেপত্রি। নুমিদাংৱাইরম ফাওবা মখোয় ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরদা চেনবা সনালোক তুরেল তোর্ব্বান্দা থৌদারগা অচা–অথক চারগা মতম ঙাইদুনা লৈবগী ফিভম অমা উবা ফংই। মদু মখোয়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা মতেং পাংবীনবা হায়জবগা লোয়ননা নুপীশিং অদুবু তনখায়বীনবা পুলিস ফোর্সশিং কৌশিনবা ওইনা তৌই।

পুলিস পার্সনেলশিং লাক্লবসু, এ আরগী মশিং য়াম্লবা পার্সনেলশিং লাক্লবসু মখোয় পূম্নমক থেংননবা নুপীশিংনা শেম শাবা উই হায়না খুল অদুগী খুঙ্গা অমনা পাউচে অসিদা হায়রি। পনবা য়াবদি, তাঙ্খুলশিংনা কুকিশিংগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদনবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রবনি।

—— মপাল্লমগী পাউ ——

## পাকিষ্টান্না লান লাউথোক্তুনা কাবুলদা বোম থাদবদা মীওই ১৩৩ শিরে

**ইস্লামাবাদ ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অফগানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগী ঙমখৈ পরিংদা খূৎ থোক্লবগী চাং হেঙ্গৎলকপগা লোয়ননা ইস্লামাবাদনা অফগান তালিবান গর্ভর্নমেন্টকী মথক্তা লান লাউথোকখ্রে। পাকিষ্টান্না কাবু অমদি কন্দাহার য়াওনা অফগানিষ্টানগী মরু ওইবা সিতি খরদা নোংথক্তগী বোম থাদবদা অফগান লান্মী ১৩৩ শিরে হায়না ক্লেইম তৌখি। অমরোমদা কাবুলনসু পাকিষ্টানগী লান্মী ৫৫ হাৎপা ঙম্লে ফোঙদোকখি। নৌনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টানগী দিফেন্স মিনিষ্টর খ্বাজা অশিবনা ‘এক্স’তা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়খি, অফগানিষ্টানগী মায়োক্তা ‘ওপরেসন গাজব লিল হক’ চথুদুনা অফগান ফাইটর কয়ামরুম হাৎপা ঙম্লে। যূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকখ্রবা মতুংদা রসিয়া অমদি ইরান্না নাকল অনী ৱারী শান্নরগা অথুবা মতমদা লান লেপহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না তকশিল্লকখ্রে। তঙাইফদ্রবদি অফগানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌনবা শেম শারে হায়না ইরানগী ফোরেইন মিনিষ্টর সয়িদ অবাস অরাগচিনা ফোঙদোকখি। ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী য়াম্না মরু ওইবা রামজান মতমদা অফগানিষ্টান অমসুং পাকিষ্টান্না লানগী ফিরেপ লৌরক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়রি।

## কোলকাতাদা অকনবা য়ুহা হাখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** রিক্টর স্কেলদা ৫.৪গী চাংদা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা কোলকাতা অমসুং মনাক নকপা মফমশিংদা থোকখ্রে। য়ুহা হাখিবগী ইপিসেন্টর বাংলাদেশতা ওইখি। চাওরাক্লা নুংথিলগী পূং ১.২২ তাবদা কোলকাতাদা অকনবা মওংদা য়ুহা হাখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অসিদা মীশি–মীনা অমসুং লন–থুম অমাঙ–অতা থোকপগী রিপোর্ট ফংদ্রি। ইন্দিয়া, নেপাল, বাংলাদেশ অমসুং ভুতানগী মফম খরদা অকনবা মওংদা য়ুহা হাখিবদুনা মরম ওইরগা টুরিজমদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। হিমালায়ান টেক্তোনিক জোনদগী হৌরকখিবা য়ুহা হাবা অদুনা মরম ওইরগা মতম খরগী ওইনা লম কোয়বা লাকপশিংদা অথিংবা থমখি। য়ুহা তোয়না হাগনবা মফম ওইরিবা এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়না থাজনরি। ঙসি নুংথিল অকনবা মওংদা য়ুহা হাখিবদুনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখি হায়রি।

## দিল্লিগী হান্নগী সি এম কেজ্রিৱাল ১দি সিসোদিয়া লিকর পোলিসি স্কেমদা মরাল লৈতে হায়না কোর্টনা থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি)ঃ** দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা আর্বিন কেজ্রিৱাল অমদি হান্নগী দেপ্যুতি সি এম মনিশ সিসোদিয়া লিকর পোলিসি স্কেমনা মরাল লৈতে হায়না দিল্লিগী রাউস এভেন্যু কোর্টনা থাদোকখ্রে।

এক্সাইজ পোলিসি শেমদুনা থবক্তা ওন্থোকপগী মতাংদা লৌতুনবগী থৌওং অমত্তা চৎখিদে হায়না কোর্টনা ফোদোকখি।

সি বি আইনদি সিতি কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা আপিল তৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি। সি বি আইগী য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা সি বি আইগী ওফিসিয়েলশিংনা চথুখিবা থৌওংশিং ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্ননবা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি অমা চথহল্লগনি হায়না কোর্টনা ফোঙদোকখি।

লিকর পোলিসি স্কেমগা মরী লৈননা সি বি আইনা লৌখৎলকপা কেস অমনা মরম ওইরগা আর্ম অদামি



পার্টি (এ এ পি)গী লুচিংবা কেজ্রিৱাল অমদি মহাক্কা লোইনবশিংবু য়াম্না চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। কুমজা ২০২১–২২ দা এ এ পি লৈঙাক্লা শেমখিবা লিকর পোলিসি অমগী মতাংদা সি বি আইনা কেস লৌখৎতুনা কেজ্রিৱাল য়াওনা এ এ পিগী লুচিংবা কয়ামরুম ফারগা জেলদা নমশিনখি। ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা এসেমব্লি ইলেক্সনদা এ এ পি মায়থীবা নংখিবনি। কোর্টকী ৱায়েং তারবা মতুংদা কেজ্রিৱালনা অচূম্বদি মতম কুইনা লোৎশিন্দুনা থম্বা য়াদে হায়না ফোঙদোকখি।

## ফুন্দ সেফটিগী ড্রাইভতা ফেব্রুৱারী ৩০ ফাওবা চাবা য়াগনি থারম্বা ৱাতিন ফারে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফুন্ট সেফটি ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি লম্লোং কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা চান–থক্লবা য়োনবা দুকানশিং চেক তৌবদা ফেব্রুৱারী ৩০ ফাওবা চাবা য়াগনি থারম্বা ৱাতিন য়াওনা মেন্যুফেক্চর দেট য়াওদনা য়োল্লম্বা বেকরিগী পোৎলমশিং, হৈ মহি, মরূ–মরাংনচিংবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ফুদ সেফটিগী দিজিগনেটেদ ওফিসার ডাঃ লাইখুরাম ক্রিপিয়ালিনিনা হায়, তোঙান তোঙানবা দুকানশিংদগী ফাগৎলকখিবা বেকরিগী আইটেমশিং অসি দিসপোজ তৌরগখি। লোয়ননা হায়রিবা বেকরিশিং অসি এফ এস এস এ আইগী লাইসেন্স পায়বা ওইবনা মখোয়শিং অদু কৌদুনা পোৎলমশিং অদুগী




শেল দুকানশিংদা হন্দোক্লবা খঙহল্লগনি। চান–থক্লবা য়োনবগীদমক্তা এফ এস এস এ আইদগী লাইসেন্স লৌগদবনি। হায়রিবা লাইসেন্স অসি লৌদনা য়োন্নবা কয়া য়াওরি। ঙসিগী ড্রাইভ অসি থেংলবসু থেংনা অহানবা ওইনা এফ এস এস এ আই লাইসেন্স অসিনা লৌনবা খঙহলল্লম্লে। মখা তানা লাইসেন্স লৌদনা য়োনবা থেংরবদি অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি ফোঙদোকখি।

## ‘বুং’না বি এ এফ টি এ এৱার্দ ফংলকপা মণিপুরী সিনেমাগী চাওথোকচনিংঙাইনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি)ঃ** ‘বুং’না বৃটিশ একাদেমি ওফ ফিল্ম এন্দ টেলিভিজন আর্টস (বি এ এফ টি এ) এৱার্দ ফংলকপসি মণিপুরী সিনেমাগী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়না মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ সি এস)না ফোঙদোরক্লি।

লক্সমিপ্রিয়া দেবীনা অহানবা ওইনা পুথোকপা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা ফিল্ম অসিনা এৱার্দ ফংলকপগী মতাংদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর ঐচ জ্ঞান প্রকাশ সিংহনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা সোসাইটিগী ১৬শুবা দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মীফম পাঙথোকখি। ওকেন অমাকচম, রোমি মৈতৈ, ৱুংকাখিং মকাং, ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চেয়রমেন কে ঐচ কুলেশ্বর সিংহ, আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দাইরেক্টর জি ধরমাদাস অমদি সোসাইটিগী সেক্রেটরি সঞ্জু বচস্পতিময়ুম য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লক্সমিপ্রিয়াগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণ থাগৎখি। ইনফ্রষ্ট্রকচর য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মতেং পাংশিনবীরবদি মণিপুরী সিনেমানা মালেমদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙমগনি হায়না মীফম অদুনা ফোঙদোকখি।

## আই সি আই সি আইগী দিবিদেন্ট লিদরস ৫০ ইন্দেক্স ফন্দ লোঞ্চতৌখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি) ঃ** আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্সনা য়ুনিট লিঙ্ক ইন্সুরেন্স প্লান (য়ু এল আই পি)গী মখাদা দিবিদেন্ট লিদরস ৫০ ইন্দেক্স ফন্দ লোঞ্চ তৌখ্রে। অনৌবা ফন্দ অসিগী খূথাংদা কষ্টমরশিংনা মতম শাংনা ইনভেষ্ট তৌরগা মশাগী মরল–মথুম লেপশিন্নবগী খূদোংচাবা ফংলগনি। য়ু এল আই পিগা মরী লৈনবা ফন্দ অসিদা শেল চাওনা ইনভেষ্ট তৌরবদি মতম খরগী মতুংদা অচৌবা শেনফম অমা ফংবা ঙমহল্লগনি। অনৌবা প্লান অসিগী মতাংদা আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্স কম্পেনি লিমিটেদকী চীফ ইনভেষ্টমেন্ট ওফিসার মনিশ কুমারনা হায়খি, দিভিদেন্ট লিদর ৫০ ইন্দেক্স ফন্দনা কষ্টমরশিংদা মনুং মপান ফাওনা উবা ঙম্বা মওংদা মশা মশাগী শেনফম ইক্বিটি মার্কেটতা ইনভেষ্ট তৌনবগী খূদোংচাবা ফংহল্লে। বি এস ই ৫০০ দিবিদেন্ট লিদরস ৫০ ইন্টেক্সকী খূদুং ইল্লগা কম্পেনি অসিনা মীয়ামগী খূদোংচানবগীদমক অনৌবা পোলিসি অসি পুথোরকপনি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা কম্পেনি ৫০ খনগৎপগী মনুংদা আই সি আই সি আই প্রুদেন্সিয়েল লাইফ ইন্সুরেন্স কম্পেনি প্রাইভেট লিমিটেদসু য়াওরকখি।

## মেদন্তানা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটাল ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি) ঃ** গ্লোবেল হেল্ঠ লিমিটেদনা চল্লাইবা গুরুগ্রামগী মেদন্তা–দি মেদিসিতিনা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটাল ওইরে হায়না ন্যুজ ৱিকনা লাউথোকখ্রে। ন্যুজ ৱিকনা ষ্টেটিষ্টা আই এন সিগা খূৎশম্নরগা লাউথোকপা ‘ৱার্ল্ড বেষ্ট হোস্পিটাল ২০২৬’তা মেদন্তাসু মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মাঙজিল থাবা হোস্পিটালশিংগা চাংদম্নিংঙাই ওইবা মওংদা ফীভম ফগৎলে হায়রি। ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, কেনাদা, জর্মনি, জপান, সিঙ্গাপোর, য়ুনাইটেদ কিংদম অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৩২দা লৈবা হোস্পিটাল ২,৫০০গী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুংদা মকোক মথং লাউথোরকখিবনি। নিংথিনা খঙ–হৈরবা মেদিকেল এক্সপার্টশিংগী মত লৌবগা লোয়ননা লায়েংলুরবা মীওইশিংগী দেতাশিং লৌখি। মদুগীসু মথক্তা পেসেন্ট রিপোর্টেদ আউটকম মিজরস (পি আর ও এম)গী সর্ভে তৌখি। হিরম অসিগী মতাংদা মেদন্তাগী চেয়রমেন কম মেনেজিং দাইরেক্টর ডাঃ নরেশ ত্রেহান্না হায়খি, তোঙান তোঙানবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেদন্তানা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটালগী মিংথোল ফংবা ঙম্লকপনি।

# মনা–মশিং খক্তা চাবা মীওই অয়াম্বা কেন্সর নাগন্দেঃ ষ্টদি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭(ৱায়েল কাতি) ঃ** মনা–মশিং খক্তা মীওই অয়াম্বা কেন্সর লায় নাগন্দে হায়বা ষ্টদি অমদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই লাক্ষ ১৮ লোমদা চহী কয়া চঙনা ষ্টদি তৌরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙবা ঙম্লকপনি। বৃটিশ জর্নেল ওফ কেন্সর দা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, করিগুম্বা মীওই অমনা মনা মশিং খক্তা চারবদি পেনক্রিয়াটিক কেন্সর রিস্ক চাদা ২১ হন্থরকই। প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক চাদা ১২, ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৯, কিদনি কেন্সরগী রিস্ক চাদা ২৮ অমসুং মল্টিপল মাইলোমাগী রিস্ক চাদা ৩১ হন্থরকই হায়রি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ডাঃ ওরোরা পেরেজ কোরনাবোনা হায়, খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেন্সর মখল মঙাগী রিস্ক হন্থহনবা মরমনা শা–ঙা চাবগী মহুৎতা মনা মশিং খক্তা চাবগী তঙাইফদবা লৈ।



অদুম ওইনমক শা–ঙা চাবা মীওইশিংগা চাংদম্নবা মতমদা মনা মশিং খক্তা চাবা মীওইশিং ইসক্বামস সেল কার্সিনোমা (ইসোফেগসকী কেন্সর) নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মনা মশিং খক্তা চাবা মীওইশিংনা ভিটামিন বিনচিংবা হকচাংদা কান্নরবা মচলশিং চিঙ্গাক্তগী মরাং কায়না ফংবা ঙমদবননি।

মীওইবনা চারিবা চিঙ্গাক্কা তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখলশিংগা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা মপুং ফানা খঙদোকপা ঙম্নবা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দতা ইপিদমিওলোজিগী প্রোফেসার ওইনা লৈবা টিম কি এমরিটসনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লবা ৱাফমদি রেদ মিট চাবনা বাৱেল কেন্সরগী রিস্ক হেঙ্গৎহল্লি হায়বসিনি। চাকচা য়ূথক অমসুং কেন্সরগী মরক্তা লৈনবা মরী চপ চানা খঙদোক্লবগী পান্দমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী প্রোফেসার ওরোরা পেরেজ কোরনাবোনা লূচিংবা টিম অমনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা শা চাবা মীওই লাক্ষ ১৬৪, ঙানু–য়েন চাবা মীওই ৫৭০১৬, ঙা চাবা মীওই ৪২,৯১০ অমসুং মনা মশিং খক্তা চাবা মীওই ৬৩,১৪৭গী মরমদা কূপ্না থিজিল্লম্মী। চহী ১৬ চঙনা থিজিল্লবা মতুংদা মনা মশিং খক্তা চাবা মীওইশিং কেন্সর মখল মঙাগী রিস্ক নেম্না লৈ হয়বা খঙলকখি।

ৱার্ল্ড কেন্সর রিসার্চ ফন্দনা শেল থাদরগা চথখিবা ষ্টদি অদুদা তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখল ১৭কী মরমদা কূপ্না থিজিনখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ অবেরদিনগী রোৱেথ ইন্সটিট্যুটতা দাইরেক্টর ওইনা লৈবা প্রোঃ জুলিস গ্রিফিন্না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হেঞ্জিনবা মওংদা কা হেন্না শা–ঙা চাবনা হকচাংদা অমাঙবা থোকহল্লকপা তারবসু ময়াই ওইরপ চাংদা চারবদি কান্নবা কয়ামরুম ফংই। শা ঙা চাবদগী হকচাংনা ফংবা কান্নবা মচল খরা মনা মশিং চাবদগী ফংবা ঙমদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ভিক্সিট ভারত য়ুঠ পার্লিয়ামেন্ট পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৭ (ৱায়েল কাতি) ঃ** মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অমদি মাই ভারত, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা পূন্না খূৎশম্ননা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ভিক্সিট ভারত য়ূঠ পার্লিয়ামেন্ট ( ভি বি ৱাই পি) ২০২৬কী থৌরম ঙসি জি পি ৱুমেন্স কোলেজ, ইম্ফালগী লাইব্রেরি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি এম য়ুগী ফোর্মর ভি সি প্রোঃ এন রাজমোহোননা চীফ গেষ্টনা চীফ গেষ্ট, জি পি ৱুমেন্স কোলেজকী প্রিন্সিপাল প্রোঃ এল রাজেন সিংহনা প্রসিদেন্ট, এন এস এস দি এম য়ুগী প্রোগ্রাম কো–ওর্দিনেটর অমদি ভি বি ৱাই পি ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্টকী নোদেল ওফিসার কে সনাতোন শর্ম্মনা থৌরমগী কোওর্দিনেটর ওইনা শরুক য়াখি।

‘৫০ ইয়রস ওফ ইমর্জেন্সিঃ লেসন ফোর ইন্দিয়া দিমোক্রেসি’ হায়বা ঠিমদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোকখিবা য়ূঠ পার্লিয়ামেন্ট অদুদা দি এম য়ু অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা কোলেজশিংদগী মশাগী চহী ১৮দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোই অমদি নহাশিংনা ৱা ঙাংদুনা অথোই–অহেন তান্নখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ভি পি ৱাই পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোদেল ওফিসার অমদি এন এস এই সেল, দি এম য়ুগী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর কে সনাতোন শর্ম্মনা হায়খিবদা লেবেল কয়া থোক্লা দিবেট কম্পিটিসনকী খূথাংদা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা অসিদা মহৈরোইশিং অমদি নহাশিংনা পার্লিয়ামেন্ট য়ৌনা চৎতুনা ভারতনা নিংখা তম্বা চহী ১০০ মপুং ফারকপগী ভিক্সিট ভারতকী পান্দমদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমহল্লগনি হায়খি।

# এদিটৌরিয়েল

ইম্ফাল,লমতাগী ১১ নি পানবা, ইরাই ফেব্রুৱারী ২৭,২০২৬ ইং


## ওইরোইদবা দিমান্দ তৌনরকপা

### অপূনবা ওইনা মণিপুরবু উবা ঙমহনবা অমা মথৌ তাই

মণিপুরগী মনিং মখা তম্বা মাঙখিবা কুমজা ১৮৯১ দা মণিপুরসি বৃটিশনা অনী থোক্লবা খায়দোক্লম্মী। অমনা ইম্ফাল (ভেল্লি এরিয়া), অদুগা অতোপ্পা অমনা হিলস এরিয়াস। হিলস এরিয়া হায়বদি মণিপুরগী নিংথৌদগী এদমিনিষ্ট্রেসন চল্লাইননবা শেল লৌজরগসু বৃটিশনা তোখায়না লৈঙাক্লম্মী। মণিপুর কুমজা ১৯৪৭ দা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরে। মদুগী মতুং কুমজা ১৯৪৯ দা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিল্লে। কুমজা ১৯৫৬ তা মণিপুর য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইরে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ৫ থোক্লা খায়দোকখি। কুমজা ১৯৬৯ দগী ১৯৭২ ফাওবদি হায়বদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরিঙৈগী মনুংদা অমুক নৌনা মণিপুরসি দিষ্ট্রিক্ট ৫ নি হায়জরগসু শেমদোক-শেমজিন তৌনরকখি। মখোয় ৫ অদুদি ইম্ফাল, তমেংলোং, চূড়াচান্দপুর, উখ্রুল অমসুং সেনাপতিনি। কুমজা ১৯৭২ গী জনুৱারী ২১ দা মপুং ফাবা ইন্দিয়াগী ২১শুবা ষ্টেট অমা ওইখি। কুমজা ১৯৮৩ দা রি-ওর্গনাইজেসন তৌদুনা ইম্ফালবু দিষ্ট্রিক্ট ২ হায়বদি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট হায়না খায়দোকখি। মদুগী মতুং ১৯৮৩দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হায়বা অমসু শেম্লক্তুনা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ ওইরকখি। কুমজা ১৯৯৭ দগী ২০১৬ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট ৯ শুরকখি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৯ অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, তমেংলোং, চূড়াচান্দপুর, উখ্রুল অমসুং চান্দেলনি। কুমজা ২০১৬ গী দিসেম্বর ৮ দা মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী লৈঙাক মতমদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ হাপচিল্লমখি। হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি কাংপোকপী, তেংনৌপল, কামজোং, নোনে, ফেরজোল, জিরিবাম অমসুং ককচিংনি। হায়রিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা মণিপুরগী ওইনা হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈরি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখিবদু নাগাশিংনা অদুক্কী মতিক ৱারৌখি। অদুগা কুকিশিংনা হায়নিংঙাই লৈতনা হরাওখি। মতমদুদা মণিপুরদা খ্বাইদগী শাংবা য়ু এন এসিনা চথবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ মায়োক্লখি। হৌজিকসু য়ু এন সিনা দিষ্ট্রিক্ট থুগায়খিবদু হঞ্জিনহনগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌবা লেপত্রি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ৱাফম অদু লোইশিন্ননবা ৱারী শান্নরিবনি হায়দুনা লৈরকপা চহী ফনা য়ামশিল্লক্লে। অদুবু ৱারোইশিনদি হৌজিকসু পুরকপা ঙমদ্রি। নাগাশিংনা মরু ওইনা শাওরিবদি সেনাপতিদগী কাংপোকপী খায়দোকপা অমসুং চান্দেলদগী তেংনৌপল খায়দোকখিবসিনি। মরমদি হান্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওইরিঙৈদদি নাগাশিংনা মশিং য়াম্বা দিষ্ট্রিক্ট ওইরম্মী অমসুং হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অসি নাগাশিংগী লমনি হায়না লৌজরম্মী। মতৌ অসুম্না তেংনৌপলসু চান্দেলদা পুল্লম্বনিনা নাগাগী লম ঙাক্তনি হায়না ক্লেইম তৌরম্মী। হৌজিক্তি মতমদুগী লৈঙাক্না তৌখিবা অশোয়বদুনা মরম ওইরগা কুকিগী দিষ্ট্রিক্ট অনি পীথোকপীখিবগা মান্নরক্লে। মসি নাগাশিংনা ঙন্না উখিবদগী মতমদুগী লৈঙাক্তা শাওখিবনি ।

দিষ্ট্রিক্ট ৭ হাপচিন্দুনা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শেমখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বীয়ু হায়বা দিমান্দ অসি অনীখক লাকই। হায়রিবা দিমান্দ ২ অদুদি অমনা মোইরাংবু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী লৌথোক্লগা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহল্লু হায়বা অমা, অদুগা অতোপ্পা অমনা ঙসি ঙরাং খক্তমক ফোঙদোক্লরক্লিবা জৌমিশিংগী তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট অমা পীয়ু হায়বসিনি। হন্দক্তা লৈখিদ্রবা থানলোন এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ বুংজাগিন বালতেগী ফেমিলিদগী ওইনা দিমান্দ অসি লাক্লগসু জৌমী ফুরুপকী মীওই কয়ামরুমনা শৌগৎনরকপনা অচঙবা দিমান্দ ওইরি। লৈখিদ্রবা এম এল এ অসিগী হকচাং জৌমিশিংগী তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট অমা পীদ্রিবা ফাওবা লৈরোন চল্লোই হায়দুনা দিমান্দ অসিবু হেন্না কন্নশিল্লকখি। দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্বা হায়বসি এদমিনিষ্ট্রেসন নুংঙাইনবগীদমক লৈঙাক অদুনা তরেৎ তরা থোক্লা খল্লবা তুংদা পায়খৎলম্বনি। খূদম ওইনা জিরিবামবু তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা থল্লন্লিবসি করিগীনো হায়বা তারগদি হান্না ইম্ফাল ইষ্টতা পুল্লগা লৈরম্বনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা শাথিনা নুংঙাইখিদে। জিরিবামগী মীয়ামসু তঙাইফদবা চে-চাং লৌননবগীদমক্তা পোরোম্পাৎ তম্না লাকপদা অহিং অনী। অহুম লেক্তবা য়ারক্তবা, শেল কা হেন্না চঙবা, মতম য়াম্না মাঙবা মীয়ামগী অপাম্বা খূদক্তা ফংহনবা ঙমদবা কয়া অসিনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট শেম্বনি হায়বা য়াই। মসিগীসু মথক্তা রেল লম্বীসু য়ৌশিল্লকপা, অসামগা তাইনবা মফমদা লৈবা ওইবনা তঙাইফদনা দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্বনি হায়বসু য়াই। উখ্রুলদগী কামজোং খায়দোকখিবদুসু দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসদগী য়াম্না লাপ্পা অমসুং বোর্দর এরিয়াদা খুন্দারিবা মীয়ামদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং নিংথিনা য়ৌহনবা ঙমদবগী শেম্বনি হায়বসু য়াই। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেম্লকখিবশিং অসিগী মরম লোইনমক লৈগনি। অদুবু হন্দক জৌমীশিংগী দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্ননবা দিমান্দ তৌরক্লিবসি কয়াম য়াম্না মরম চাবগে হায়বদু লৈঙাক্তা ইন্থোকপগী ৱাফম নত্তবদা ঐখোয় ময়াম অমুক্তং নৈনসি। নিংঙোম্বম হায়বসি মীশিং য়ম্মী, মীশিং য়াম্মনখিবনা পূ ৩ থোক্লা খায়দোকই। মরম অদুনা নিংঙোম্বম ঙাক্তগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অমা শেমগে হায়বা য়াবা পোৎ নত্তে। ঙাইহাক শাওনবগী মতৌ মনাও খৎনবা, চৈনবা হায়বসি মহৌশানি। মসি থোক্তবা ইমুং লৈবা হৌনদে। খৎনবা খূদিংগী খায়নরনি হায়রগদি য়ূম পানমিন্নবগী ৱাহন্থোক লৈতে। মণিপুরদা কাঙলূপকী ঈরাং থোকই, হাৎনৈ, শুন্নৈ, অদুবু ইংথনবা অমদি লাকফম থোকই। অদুগুম্বা মতম অদু য়ৌরক্তননবা কন্নাগুম্বা খরনা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন, য়ুনিয়ন টেরিটোরি পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌবসি অচূম্বা নত্তে। মখোয়গী ৱাখলদা মণিপুর হায়বসি মশাগী ময়ূমনি হায়না খঞ্জবা ঙমদবগী মমি অমা তাই। মণিপুর হায়বসি ঐখোয়গী ইয়ূমনি হায়না খঞ্জবা ঙল্লগদি য়ূম অদু থাদোক্লগা নৎত্রগা অনী থোক্লা থুগায়সি হায়বসি হায়ফম থোক্তে। মরম ময়াম অসি য়েংলুরগা তৌবা য়াবা দিমান্দ হায়বা অমা লৈরগসু ওইথোক্লোইদবা দিমান্দনি হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি তোখায়বা দিষ্ট্রিক্ট তাল্লকপা, মণিপুর থুগায়গে হায়রকপা দিমান্দশিং অসি তৌরোইদবনি হায়বসি মণিপুরবু অপূনবগী মরলনি হায়না খনবা ঙল্লবা মতমদদা অরানবা দিমান্দ ওইরল্লে হায়বা খঙজরক্কনি।

# ঈশিং মরাং কায়না থকপনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা ঙম্ব্রা?–১



মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরম্লগনি। অদুবু য়াম্না অরায়বা মওংদা ঈশিং মরায় কায়না থক্লগা অহেনবা ফেট লৌথোক্তুনা অরুম্বা হন্থহনবা য়াই হায়বা ৱাফম অসিদি খঙনরমদবা য়াই। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকই অমসুং পুক্কী অনোয়বা শরুক মাঙহনখিবা ঙম্মী হায়রি।

রিছার্চরশিংনা হায়, ঈশিংদা কার্বোহাইদ্রেট, ফেট নত্রগা প্রোটিন য়াওদে। মরম অদুনা হেঞ্জিন্না থক্লবসু হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহন্দে। মদুগীসু মথক্তা ঈশিং মরাং কায়না থকপা মতমদা হেঞ্জিন্না চাশিনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার টেমি চাংনা হায়, নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা হকচাংদা মহীগী শরুক ৱাৎহন্দবনা কান্নবা কয়ামরুম পী। অনোয়বা অমসুং বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংবা মীওই অয়াম্বা হকচাংদা মহীগী শরুক ৱাৎলি হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। অমরোমদা ঈশিং মরাং কায়না থক্তবা মীওইশিং কা হেন্না নোয়খৎলকপা য়াই হায়বসু ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

মরক অদুনা হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনগে হায়রবদি ঈশিং মরাং কায়না থাকপগা লোয়ননা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা মশিং মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ১৮ অমদি ৬৪গী মরক্তা লৈবা মীওই ৯,৫২৮ গী চাকচা-য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'এনালস ওফ ফেমিলি মেদিসিন' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখি। মীওইবগী হকচাং অসি মথক্তা হকচাংগী কয়াৎ অয়াম্বা ঈশিং য়াওদ্রবদি মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদে। মরম অদুনা ঈশিংগী শরুক ৱাৎলকপা মতমদা কয়াৎ অয়াম্বা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙল্লক্তবদগী হকচাং নুংঙাইরক্তে। কনাগুম্বনা কালেন থাগী শারবা মতমদা নুমিৎ চুপ্পা ঈশিং শুংথক থক্তনা লৈবা মতমদা ৱাফম অসি অচুম-অরান শোয়দনা খঙবা ঙমগনি।

হাইদ্রেসন এক্সপার্ট কেট গিগাননা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মীওই অয়াম্বা ঈশিং খৌরাংবগী হকচাং চোকথরকপা মতমদা চাক লাম্বা ওইরবোই নিংদুনা হেক হেক চাশিল্লি। মদুনা মরম ওইরদুনা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকই। হকচাং মনুংদা মহীগী শরুক ৱাৎলকপা মতমদা দিহাইদ্রেসন তৌবদগী খৌরাংবা ফাওরকই। য়াম্না তোয়না দিহাইদ্রেসন তৌরবদি মরুওইবা কয়াৎ অয়াম্বা শোকচিল্লকপা মরম্না মেটাবোলিজমদা অশোয়বা থোরকপদগী হকচাং নোয়খৎলকই।

ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন অমসুং খঙ-হৈরবা ন্যুত্রিসনিষ্টশিংনা হায়, অইং-অশা হোংলকপগী মতুং ইন্না শাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবমখৈ হকচাং মনুংদা য়াওবা ঈশিংগী শরুক অদু মেনখৎনবগীদমক ঈশিং থকচিনবা মথৌ তাই। ইচম চম্বা মীওইশিংগা য়েংনবদা শান্নরোইশিংনা হুমাং থোকপগী চাং ৱাংই। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, শান্নরোইশিংগী মরক্তা ঈশিং হেন্না থকপা মীওইশিংনা মশাগী পর্ফোমেন্স হেন্না ফজনা উৎথোকপা ঙম্বগী খুদম ফঙলে। নিংশা শ্বর হোনবদা মনিল ওহী য়াওখিবা অমসুং হুমাং ওইনা থোকখিবা ঈশিংগী শরুক পুন্নমক মেনখৎনবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই।

ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হকচাং মনুংদা য়াওবা ফেট অমসুং সোল্যুবল ফাইবর তুমহনবদা মতেং পাংই। কিদনি অমসুং লিভরনা হকচাং মনুংদগী অমোৎপশিং শেংদোকপসুমতেং পাংশিল্লি। লার্জইন্টেষ্টাইন্দা ঈশিংনা ফাইবরগা পুল্লগা অমোৎপা শেংদোক্তুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইহল্লি। ঈশিং মরাং কায়না থক্ত্রবদি কোলোন্না অমাঙবদা য়াওবা ঈশিং পুন্নমক চুপশিনখিবা মরম্না খোঙ হাম্বা য়াহন্দে অমসুং কোন্সটিপেসনগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

ঈশিং য়াম্না থকপনা কেন্সর মখল খরা পাঙথোকপা ঙম্মী। অখঙ-অহৈশিংনা হায়, ঈশিং য়াম্না থক্লিবমখৈ ব্লাদর কেন্সরগী রিস্ক হন্থরকই। ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি তোয়না মপান থোকপা মরম্না ব্লাদরদা কেন্সর ওইহল্লক্কদবা কার্সিনো-জেনশিং তুংদুনা লৈবা ঙমদে। মদুগীসু মথক্তা কোলোন কেন্সর অমদি ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি। ঈশিং মরাং কায়না থকপনা পুক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহনবগা লোয়ননা ব্রেনগী মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি। চাং হাইরপ মান্নবা মহেরোইশিংগী মরক্তা ঈশিং হেন্না থকপা মহরোইশিংনা একজামদা মার্ক হেন্না ফংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখি।

ঈশিং থকপগী কান্নবদি লোইবা নাইদে। কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা ঈশিং থক্তা তারবদি কোক চিক্লকপা য়াই। কালেনথাগী শারবা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমা কোক চীক্লকপা তরবদি ঈশিং গ্লাস অনি থকচিনবা মতমদা মিনিট ৩০ রোম লৈরগা কোক চিকপা ফরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখি। মরম অদুনা কালেনথাদা মীপুম খুদিংমক পুং ১। ২ কান্নরগা ঈশিং গ্লাস ২। ৩ থকপা মথৌ তাই হায়রি।

কিদনিনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং শেংদোকপগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংই। মরম অদুনা কিদনিবু মথৌ নিংনি পাঙথোকহন্নবগীদমক নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। কালেনথাদা থবক অমত্তা তৌদ্রবসু হকচাং চোকথরকপগা লোয়ননা ইতন-তন্থরকপা তারবদি দিহাইদ্রেসন তৌবগী খুদমনি। মতমদুদা ঈশিং গ্লাস ২। ৩ থকচিনবা মতমদা হান্নগী মতৌগুম্বা হকচাং তেকখৎলক্কনি। অমোৎপা ফিরোল, শুবা, কোল-লিক ফেঙবা, ইরুজবা, ইমুং ৱাই তৈবদা ঈশিং শিজিন্নবগুম হকচাং মনুংগী ফৎবা অমোৎ-অকায় শেংদোকপসু ঈশিং চঙই।

নুমিৎ খুদিংগী লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা খৌনাও তেংবা মীওইশিং অপ্পর রেস্পিরেটরি ট্রেক্টতা ইনফেক্সন তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে অমসুং লোক থুংগন্দে। ষ্টদি অমগী মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থকপা মীওইশিং হার্টকী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লদে। ঈশিং থকপখক নত্তনা ঈশিংদা ঈরোইবা, য়ুম মনাক্তা অচৌবা পুখ্রি নত্রগা পাৎ-তুরেল লৈবা ফাওবা হকচাংদা কান্নবা পী হায়বা অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদগী খঙলে। নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং অশাবনা খোঙ হাম্বগা লোয়ননা নিংজোলদা হীগা য়ৈবা মতমদা ঈগী ঈচেল ফগৎলকপা মরম্না হার্ট ফহল্লি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা নুমিৎ খুদিংগী ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি। য়ুরোপয়ন ফুদ সেফটি ওথোরিটিগী রিকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা নুপীনা ঈশিং লিটর ১.৬ অমসুং নুপা লিটর ২ থকপা মথৌ তাই হায়রি।

# অহল অমসুং নাগরিকশিং

**এম থম্বৌ সিংহ**

*...কুক্ষেত্রগী হরাওগী মতমদা মীয়ামগী লৈতেং ওইরিবা নুপীবু মখোয়গী ফজরবা কয়াৎ খুদিংবু নুপী ওইবীগী মশাদা য়াওজরকপা শকউদবা মপু মহাক্না পীবীরকপা মমল নাইদ্রবা খুদোলনি খন্না ঐখোয়না ইকাই খুম্নবনা ঈরাং থোক্তনবগী অচৌবা মচাক ওইগনি হায়জবসি লানগদ্রা? মীৎয়েংবু চুম্না য়েংলবদি নুংসু লাই ওইনা লৌনবগুম অমদি মুর্ত্তি কয়াগী মগুণ হাপ্পগুম নুপীগী শক্তমবু চুম্না য়েংবা ঙম্রবদি নুপীগী মগুণ ৱাংনা লৈদুনা সমাজ অসিদা লাইরেম্বীগী শক্তম লৌদুনা মখোয়গী মফম অমা চাওনা কন্দুনা লৈগনি।*

মীওইবনা হিংবদা নাইতেম হিংবা য়ারক্তবদগী লৈকায় খুঙ্গং অমদি লমদম শেমদুনা হিংমিন্নবা ঙাক্তনি। অদুগুম্না মীওই পুন্নমক অদুবু লৈবাক অদুগী অমদি লমদম অদুগী নাগরিক্নি। ঐখোয় মশেল লৈমিন্নবদা অমনা অমগী মফমদা ইকাইখুম্নবা ঙল্লবা অতোপ্পা অমনা অতোপ্পা অমদা অকায়বা পীনদবা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা অরানবা কয়াবু চুমথোক্লবা হোৎনবা অসিবু আইন ঙাক্লা চৎপা হায়নরিবনি। অসিগুম্বা চৎনরোল কয়াসি ঐখোয়না চৎপা ঙমদ্রবা মদুবু ইনবা ঙমদ্রবদি মদু ইশা ইশানা আইন থুগায়রে। আইন হায়বদু ইশাদা য়াওদ্রে তাকপনি। অদুগুম্বা মতম অদুদা মীয়াম ঐখোয়গী ইথক্তা আইন কয়া অমা থম্বীদুনা অদুগুম্বা আইন অদুনা ঐখোয়বু ঙাক শেল্লিবনি। অদুগুম্বা আইন অদুসু মীনা হায়বদি ঐখোয়গী ইরক্তগী মীওইনা শেম্বনি। লৈঙাক পায়রিবা আইন শেম্লিবা কয়াসু মীনি অতোপ্পা গ্রুপ্নদগী লাক্তুনা ঐখোয়দা ৱায়েল থৌদা তৌরবা নত্তে। মীওইবা ঐখোয়দা ইশা ইশাদা লৈজরিবা ৱাখল পরিং অসিদা ইশানা লাল্লুবা কয়াদু ইশানদি চুম্মী খনজবগী চৎনবী অমা লৈরি। মসি থাদোকপা ঙমদ্রিবমখৈ ঐখোয়গী ইথক্ত ঐখোয়গুম্বা মীওইনা আইন হায়বা অমা মমিং থোঞ্জিন্দুনা ৱায়েনবা য়ারিবনি। মসি পুন্নমক ঐখোয়না মতিক চাবা নাগরিক অমা ওইবা ঙমদবগী থোকহনবনি। ঐখোয় য়ামদ্রবা অফবা নাগরিক ওইনবা হোৎনব্দা লৈবাক শান্তি লৈগনি অমগা অমগগী মরক্তা খৎনবা চৈনবা থোক্লোইহ। নুপী অঙাংগী ক্রাইম কয়া মশিং য়াম্না হন্থগনি। লাই নিংবা কয়ানা লাইদা থাজবা থল্লিবা অসি মঙোন্দসু লানবা তৌরক্তনবা মানসু মীঙোন্দা অরানবা তৌদনবা থৌওংনি। মথংগী মপোক্কী মরমদা কন্নানবু খঙবা য়াওগদগে। হন্দক্কী মপোক্তা তৌরুবা মহৈ মথংগী মপোক্তা ফংই হায়বা লোজিক অসি য়াম্নমক ফজখ্রবা অমনি। অদুনা ফত্তবা তৌরগা ফত্তবা মহৈ ফংই। অফবা থবক্কী মহৈ অফবা ফংই। ঐনা উহৈ চারা কয়া থারবদি ঐনা নত্রগা ইচা ইশুনা চাবা ফংগনি। ইচানা ইশুনা ফংদ্রবসু অতোপ্পা কনাগী অরাম খৌরাং কয়া কোক্লবসু য়ারিবনি। মসি ঐখোয় লোইনা খঙনবা ৱাফমনি। ইশানা ইশাগী হুগী মকোন শানবা হোৎনরবা ঐ অমদি ইচা ইশু কয়া হুগী ইরোন্নুংদা লুপ্তুনা পুন্সি মাঙবা থোইনা অঙকপা নত্তে। ঐখোয় খুদিং লমদম অসিগী নাগরিক অমনি হায়বসিমদি লোইনা খঙফম থোকই। মীওইপোক্তা অথোইবা গুণ চেনবা কয়ানা হন্দক্কী মপোক অসিদা অফবা থবক কয়া ধর্ম্ম অমদি অচুম্বা ঙাক্লবা হোৎনরিবা অসি মথংগী মপোক্তা অফবা শরুক্তমক ফংননবা হায়বা পাউজেলনি। পাউজেল অসিমক্তি হয়েংগী খল্লগা ঙসিগী অফবনি, খ্বাইদগী দরকার ওইরিবা ঐখোয়না মথংগী মপোক লৈব্রা লৈতব্রা কন্নানবু হায়বা ঙমগদগে। মসিদা লৌবা য়ারিবা অথদি হিংশাগী থবক ঙাক্তা তৌরবদি মথংগী মপোক ফাওবদা মদু কোকহনবা ঙম্লোই হায়বসি খঙলবদি ঙসি হিংশা তৌরোই।


মসিনা অরানবা অমদি হিংশা তৌদনবা অচৌবা লম্বী ওইরিবনি। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন থম্বা অসিনা অফবা নাগরিক অমা ওইনবগী মরু হল্লিবনি। ঐখোয়না মুর্ত্তি লাংতুনা ইরাং পুজা তৌদুনা ধর্ম্মগী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা অসি তশেংনা শকউদবা মপু মহাক্তি ঐখোয়না উহৌবা খঙহৌবা নত্তে। থাজনবী অমগী মখাদা পুক্লিংবু লাকশিনবা অমদি ৱাখল অনী লোংদনা থম্মোয় ফাথবা তম্নি। থাজবা থম্বা হায়বা অসিমক মুর্ত্তি লাংপগী অথোইবা গুণনি। থাজবা লৈত্রবদি মোন্দুম মহাদেব অসিমক তেঙ্গন তোঙানবা মমিং থোন্দুনা লৈরিবা অসি তশেংনা চিংদা লৈবা নুং মখল অমগী শুরুং ওইবা শক্তমনি। অদুবু ঐখোয়না থাজবা থমদুনা ইরাৎ পুজা তৌনদুনা পুক্লিংগী অপেনবা ফংনরিবনি। অসুম্না অফবা নাগরিক অমমম ওইবা হায়বসি লৈবাক অমদি লমদম অদুগী তুংগী অশা থম্নবা লম্বী থিবনি। অফবা নাগরিক লৈরবদা অফবা আইন লৈবা মশানা তরবনি। ঙসিগী লমদম অসিদা ঈরাং থোক্লিবা অমদি ইশু কয়া লৈতাদবা অমা ওইরক্লিবা নুপী অঙাংগী ক্রাইম কয়া লাক্লিবা অসি তশেংনা অফবা নাগরিক অমমম ওইদবনা থোক্লকপনি। (মথং মথং)

**RIDJ EDUCATION FOR ALL মফম হোংলে**

**RIDJ EDUCATION FOR ALL**গী এদুকেস্নেল সেন্টর হান্না কোংবা বজারদা লৈরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী কোংবা বজারদগী কোংবা তুরেল মপাল লোমদা খরা খক হাইথরগা লৈবা কোংবা উচেক্লোন মথক, Near সন লাইট লাইব্রেরি ক্লব এন্দ কম্যুনিতি হোলদা ওইনা মফম হোংজরে। মরম অসিনা মরী লৈনবা পুন্নমক্না নৌনা হোংলিবা মফম অসিদা ওইনা লাকপীনবা হায়জরি।

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-220*



**ACROSS**
- 1 Palma's island (7)
- 5 Water jug (6)
- 8 Drive covering (6)
- 9 Threaded fastener (5)
- 10 Caribbean island (7)
- 11 Extent (5)
- 12 Norse god (4)
- 13 Run ___, go crazy (4)
- 15 *Wizard Of Oz* character (3,3)
- 18 Subordinate to (5)
- 19 Rained heavily (6)
- 20 Broke free (7)
- 23 Linked organisation (9)
- 29 Ashes holder (3)
- 30 Star divination (9)
- 31 Colouring (3)
- 33 Jewish religious festival (3,6)
- 35 Oration (7)
- 38 ___ Steadman, British actress (6)
- 40 Animal-friendly eater (5)
- 42 Lengthen (6)
- 44 Prayer conclusion (4)
- 45 Ripped (4)
- 47 Small medicine bottle (5)
- 48 Flourish of trumpets (7)
- 50 Type of wine (5)
- 51 Put on the back burner (6)
- 52 Relic repository (6)
- 53 Conundrums (7)

**DOWN**
- 1 Skip (4,3)
- 2 Conquer (8)
- 3 Saw eye to eye (6)
- 4 Wages after tax (4,4,3)
- 5 Reed instrument (8)
- 6 Seaweed (4)
- 7 Set out (6)
- 14 Deadly African snake (5)
- 16 Sprites (4)
- 17 Undressed (4)
- 20 Tidal part of a river (7)
- 21 Incantation (5)
- 22 Fourth Greek letter (5)
- 24 Tripoli's country (5)
- 25 Personal goods and belongings (7)
- 26 Cartoon fawn (5)
- 27 Alcoholic spirit (5)
- 28 Proverb (5)
- 32 Three-yearly (11)
- 34 USA's 'Pine Tree State' (5)
- 36 Have a meal (4)
- 37 ___ Lock, late comedian (4)
- 39 Nudism (8)
- 41 Connected (8)
- 43 Duke's wife (7)
- 44 Declare to be true (6)
- 46 Snooker rest (6)
- 49 Common sense (4)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 | 4 |
| 8 | 2 | 4 | 1 | 5 | 7 | 9 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 2 | 4 | 8 | 5 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 6 | 3 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 5 | 9 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 8 | 4 | 9 | 1 |
| 3 | 1 | 2 | 4 | 9 | 5 | 8 | 7 | 6 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 |



## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 223*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | | |
| | | | | | | | | 3 |
| 9 | | | 6 | 4 | | | | |
| | | 8 | | 7 | | | | |
| | | 3 | | | | | | 2 |
| | | | | 6 | | | 4 | |
| 6 | 7 | | | | | | 9 | |
| | | | | | 5 | 8 | | |
| 4 | | | | | | | | |

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**